## 2020/TDC/ODD/SEM/MANH–102/128

**TDC Odd Semester Exam., 2020**
**held in July, 2021**

MANIPURI

( Honours )

**( 1st Semester )**

Course No. : MANH–102

**( Novel )**

*Full Marks* : 50
*Pass Marks* : 17

*Time* : 2 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

১। মরী-মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ু : ১০

(ক) সুপ্লগী ইম্ফালতঙগী ওইবা ঈশীং-নুঙশীৎ ? মদুদী ! অদুদী খেঙনরক্তে। খংদে। খংই। পুন্নমক্তু ওইহনবা তারবা ? অমম্বা মপৈ মপৈদুনা ইম্ফালগী ঈশীং-নুঙশীৎকী ফীভম ওইহনবা তারবা ?

*নত্রগা*

(খ) অনাব খুৎথারে, নুমিৎ তল্লে তাবদা কপনৈ লাউনৈ চহী চাম্ম সুরদৌফাওবা। শিবা কিদবা য়াওদে অদুবু হৌজিক্তি শিরগদৌবনি শিরগনি হান্না লাউথোক্লুরে অদুগ মদুদসু থোইন থক্কৎলুদ্রে, চৎনরকপা হায়বসি লুখ্রে।





২। ৰাহে-পরেং *অমা* নত্রগা *অনিগী* মনুংদা পাউখুম পীয়ু : ১×১০=১০

(ক) 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং-নুঙশীৎকী ফীভম' হায়বা উপন্যাস অসি শরুক কয়া থোক্লা খায়দোক্তুনা ইরম্বগে ?

(খ) 'নথিং বত মণিপুর ইজ অৰার হোলী প্লেস মণিপুর' হায়বা ৰাহে অসি কনানা হায়খিবনো ?

(গ) প্রোফেসর থানিলগা থেংনখিবা ইদিতর অদুগী মমিং করি কৌবগে ?

(ঘ) রোজ মমা মচা অসি করম্বা জাতিগী কাংলুপনো ?

(ঙ) প্রোফেসর থানিলনা ইম্ফালদা থুংলবা মতুংদা পাংথোকখিবা প্রোগ্রাম অদু করম্বা হোটেলদনো ?

(চ) সুকুমারগী মমাগী মমিং করি কৌই।

(ছ) মিস ফতিমানা হাংদোকখিবা হোটেল অদুগী মমিং ইয়ু।

(জ) যশবীরগী মচানিপাগী মমিং করি কৌবগে ?

(ঝ) প্রীতমগী অতোপ্পা মমিং করি হায়রগসু খঙনবগে ?

(ঞ) 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড'তা টিকেন্দ্রজিৎ পার্ককী চগুংনরবা থৌদোকতা হীংনবগী দমক্তা লাঞ্জেলকখিবী পোৎফম ফম্বী নুপী অদু কনানো ?

৩। (ক) প্রোফেসর থানিলনা মমালৈবাক মণিপুরদা চৎনিংলুবগী মরম করিনো হায়বদু শন্না ইয়ু। ৫

(খ) 'মণিপুর মৈত্রবাক ঐ পোকপদগী উবা লৈত্রি' ৰাফম অসি কনানা হায়খিবনো ? করি মরমগী হায়রিবনো হায়বদু শন্না ইয়ু। ৫

**নত্রগা**

৪। (ক) মণিপুর হাউসকী প্রোপাইটর শান্তিকুমারগা প্রোফেসর থানিলগা লৈনবা মরি অদু করিনো? শন্নপ্না ইয়ু। ৫

(খ) প্রোফেসর থানিলগা লুনা তিনজবা হোটেলগী মেনেজর মতৌ করন্না লৈখিদবগে? হায়বসিগী মরমদা শন্না ইয়ু। ৫

৫। পাচাগী 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং-নুঙশীৎকী ফীভম' হায়বা উপন্যাস অসিদা অথোৎপা সমাজ অমগী থৌদোক ৱাথোক পুশিন্দুনা উৎপা লাইরিকনী হায়বসি য়ানিংব্রা? নশাগী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্কুনা ইয়ু। ১০

**নত্রগা**

৬। উপন্যাসকার অমা ওইনা পাচামীতৈগী মফম কদায়দা লৈবগে শন্নপ্না ইয়ু। ১০

৭। হিজম গুননা ইবা 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড' হায়বা উপন্যাস অসিদা য়াওরিবা জগজিৎকী লমচৎ করন্না য়েকপগে ইয়ু। ১০

**নত্রগা**

৮। 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড' হায়বা উপন্যাস অসি অনৌবা চাংয়েংগী লাইরিক অমনি হায়বসি য়ানিংব্রা? নশাগী মোত ফোঙদোক্কুনা ইয়ু। ১০

★★★